ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯷, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯴꯹ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, মার্চ ১৭, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩৪৯শুবা মশীং

# ৱিমেন ইম্পৱরমেন্ট
## তৌবা য়াবা পূন্নমক তৌহন্নীংই

‘ৱিমেন ইম্পৱরমেন্ট’ ৱাহৈ অনীসিমক সেন্ত্রেল অমসুং ষ্টেট লীদরশিংদগী হৌরগা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (সী এস ও), নন-গভর্ণমেন্টেল ওর্গনাইজেসন (এন জি ও) শিং য়াওনা মখল কয়াগী লন্নাই মীওইশিং অমসুং ষ্টেকহোল্ডর পূন্নমক্কী চিন্দোন-লৈতোনদা পক্লক্লিবসি ঙসি-ঙরাংতগী ৱাফম নত্তে, কুইরে। সেন্টর অমসুং ষ্টেটতা লৈঙাক পায়খিবা, পায়মিন্নখিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনসু হায়দুনা লাকই। হন্দক মণিপুর য়াওনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট মঙাগী লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলদা লম্বা তৌনখিবা পোলিটিকেল পার্টি পূন্নমক্সু অদুম হায়খি। মতুংদসু হায়নরকখিগদবা মাল্লি। অদুবু অসুক য়াম্না কুইরবা মতমদগী হায়নদুনা লাক্লবসু হায়রিবা ৱাহৈসিগী ওইবা থবক, চপ-চাবা তৌফম থোকপশিংদি মশক থোক্লা উদ্রি হায়বা য়াই। ৱাফমসিদা অরানবা শুকওই ওইররোই। মসিগী মরম ময়াম লৈ। অদুবু য়ামখ্রবা মরমশিংদু লোইনা কোৎথোক্লদ্রবসু হৌজিক ফাওবদা লৈবাকসিগী পার্লিয়ামেন্টতা অমসুং লেজিসলেটিভ এসেমব্লিশিংগী মীখলদা নুপীশিংগী সিট চাদা ৩৩গী চাংদা খাক্তুনা থম্বগী থবক ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওন্থোক্ত্রি। তৌববুদি মসিদি পার্লিয়ামেন্টকী হাওস অনীমক্না পুথোক্তুনা কূপ্না খন্নরবা মতুংদা পাস তৌরগা লৈবাকসিগী প্রসিদেন্টকী অয়াবা লৌরগা এক্ট ওন্দুনা চৎনহল্লক্কদবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদি মঙলান ওইদুনা লৈরি, মঙফাওনদ্রি হায়বনি। অদুগা ওইরিবা ফীভমসিদগী লাক্লিবা ৱাফম্না ঙসি লৈবাকসিনা নীংতম্বা ফংদুনা মশানা মশাগী লৈবাক লৈঙাকচবা চহী ৭৫ শুজিল্লক্লবা ফাওবদা মঙফাওনবা ঙমদ্রগদি করম্বা মতমদা মঙফাওনগদৌরি হায়বসিনি। থোইদোক হেন্দোক্লা মণিপুর য়াওনা লৈবাক অপূনবসি নুপীবু লুনা তৌবা, অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎপা লমদমনি। ইশম-শম্বদা মালেমগী লৈবাক খরদা মখোয়গী পোক্লফম লমদম্বু ‘ইপা লৈবাক’ (ফাদর লেন্দ) হায়নরবসু লৈবাকসিগী মীয়াম্নদি লৈবাকসিবু ‘ইমা লৈবাক’ হায়দুনা মীঙ্গৌনদুনা শীংথানরিবনি।

অদুবু মসি পূন্নমক ওইখ্রবসু লৈবাকসিগী অৱাংবা থাক্কী লৈঙাক্লোনশিং খূৎপায়নরিবা পার্লিয়ামেন্ট অমসুং লেজিসলেটিভ এসেমব্লিশিংদা নুপীশিংগী সিট চাদা ৩৩ খাক্তুনা থম্বা ফাওবা ঙমদ্রিবা লৈবাকসিনা নুপীশিংবু নুপাগা থাক মান্ননবা চপ-মান্নবা চাকথুং ফংহন্নবা অমসুং মখোয়গী শেন্মীৎলোন, পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা কদাই ফাওবা তৌরমগদগে? ৱিমেন ইম্পৱরমেন্ট হায়বসিবু করিনো? মসিগী চপ চাবা ৱাহন্থোক করি ওইগদগে? অর্বান অমসুং রুরেল এরিয়াশিংদা মখোয় খরা পুনশিন্নহল্লগা সেল্ফ-হেল্প গ্রুপশিং লিংখৎপা, শেল খরা থাদবিরগা মদুনা শেল্লেপ ওইহল্লগা শেল মচা পোকথোরক্লবা করি-করিনো খরা তৌহনবদুবু ৱিমেন ইম্পৱরমেন্ট কৌগদ্রা হায়বনি। লৈবাকসিগী নুপীশিংবু ইম্পৱরমেন্ট তৌগে, মসিগী ৱাহন্থোক চপ চানা লৈহনগে হায়রবদি লৈবাকসিগী দেমোক্রেসিগী মপূং ওইবা অমসুং মরু ওইবা কয়াৎশিং ওইরিবা লেজিসলেচর, জুদিসিয়ারি অমসুং এগজিক্যুটিভতা নুপীশিংবু হেন্না অমসুং নুপাশিংগা মান্নবা থাক্তা থৌদাং লৌহন্নবা হোৎনবা, লৌহনবনা অচুম্বা ওইরোইদ্রা? ৱাফমসি লাক্লগদি মণিপুরনা জন্যুৱারী ২১, ১৯৭২দগী মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরকঙৈদগী পাঙথোক্তুনা লাকপা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিশিংগী মীখলশিংগী মনুংদা হন্দক পাঙথোকখিবা ১২শুবা জেনরেল ইলেক্সনদনা নুপী মীহুৎ খ্বাইদগী য়াম্না ৫ কারকখি। হন্দক্কী থৌদৌসি মণিপুরগী পোলিটিকেলগী পুৱারীদা সনাগী মুক্না ইদুনা লৈহৌরগদবা তাঙ্ককনি। মায় পাক্লবা নুপী মীরেপ ৫গী মনুংদা অপূনবা সিট ৬০গী মনুংদা ৩২ ফংদুনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংলবা বি জে পিগী ওইনা ৩ য়াওরি। লেমহৌরিবা নুপী মীরেপ অনীদুসু ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা কারকখিবীদু কোনশিনবীবা য়াই। লেমহৌরিবী নুপী মীরেপ অদুনা য়াওরিবা পার্টিদুসু মহাকপু ইম্পৱর তৌননবা চুংশিন্নবা লৈঙাক্কী শরুক অমা ওইহনবীবা য়াই। নুপী এম এল এ ৫ মক অনৌবা লৈঙাক্তা ফিট তৌননবা হোৎনবা অদুক য়াম্না অরুবা থবক ওইরোই। য়ারিবমখৈ মখোয় মঙাবু লৈঙাক খুর্জি পায়বদা শরুক য়াহল্লু। মখোয়গীদমক অতৈ এম এল এশিং কখোক্লৌ। মণিপুরবু লৈবাকসিগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা তমজনফম ওইহল্লু।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৬৯
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

নহা ওইনা মীয়ামগী থবক তৌদুনা তূম্বা চাবা খঙদনা কোইচেন চেল্লকপা, করম্বা মখলগী লীলা পুথোক্লগা মীয়াম্না পামনি হায়না মতম চূপ্পদা খনবা, খিত্তং হেক শংবগা লীলাগী মরমদা উংদুনা লৈবা, মদুদগী হেন্দোক্তুনা হৌখ্রবা অহল লমন কয়াদগী ৱারী ৱাখোঙ মুন্না তাহৌবা মদুসু অমুক ইশিনজদুনা ঐগী পূক্লিং লৌশিং ওইনবা হোৎনজরকপা, খঙনীংবা তমনীংবা কয়া অমা অহল লমনশিংদগী তমহৌনবা হোৎনবসিনা মীকূপ অমা ফাওবা শংলক্তে। নহা ওইবগী নুংঙাইবা পুন্সিগী মহাউ খঙলক্তে। মীৎনদি মীনা তৌবা খুদিংমক উই, অদুবু ইশানদি মদুগী ইনৌ নৌবা এক্সপরিএন্সতি ইথেং থেংনরক্তে হায়বা তাই। মসিগী পুন্সিরোল অসিদা অসুম চত্থরকপা অসিনা, ইশামক্কী ইমুং-মনুংগী করিগী অৱাৎ অপা য়েংশিন খোৎচিনবগাইদুসু ঐগী ইথৌ ওইরবোই খনখিবনি, অঙকপা পুন্সি মহিং অমনি। ঐনা হেক শোয়ফদনা তৌরিবা হায়বু ঐনা লুনা লৌজরিবা লম্ অসিদা পূক্লিং লূপশিনবা হায়বসিনি। মসিদদি ঐগী মতম মাঙবা পান্মুবা হায়বা লৈতে। নোংমগী ওইবা অনৌবা লৌশিং অমা ফংহৌদ্রদি নুমিৎতুমগী করিনো অমা ইৱাৎ ৱাৎপগুম ইশাদা ইহাঙ হাঙবা অমা ফাওখিবগুম তৌখিবনি। সিদবু কাইদগী নহা ওইবগী ৱাখলগা চঙবগাইয়ে, কোয়বা লাংবগী মতাং লৈখিদে। মসিসু অৱাৎপা অমনি।

য়াওশঙ মতমসি মমাঙঙৈগা হৌজিক্কদি য়াম্না খেন্নরে। ঐখোয় মতমদুদদি য়াওশঙ মনুংসি তাইবঙপানসি মচু অমা ওইবদৌনা খনখি। সরক্তা থোক্লবসু অঙাংদগী, পুংকক চাওবদগী, পাখঙদগী, অহলদগী মায়শিংসি অনৌ অনৌবা মচু মচুগী ফিরোল য়াম শেৎকল্লি, ইনগল্লি। অঙাংশিংসু চোইপ্রা হায়ব্রা করিনো হঙ্গামপান মচুদা অঙাংবনা হরে কৃষ্ণ, জয়া রাধে হায়না ময়েক ময়েক থাবা ফি মচা অমমম ইন্নে, মঙক্তা য়ান্নে। য়েংবদা পুমনৌনি, য়েনিংথা হায়দু য়াওশঙসিনি হায়না খন্নবা মতমনি। মীশিংসু ময়ূমগী কাদা, ইমুংদা কয়া লৈনদে, থোঙ্গালদা অয়াম্বা লৈনৈ। থোঙ্গাল খুদিংগীসু য়াওশঙ মনুংতগী ওইনা শাবা মোবাইল হোটেল, মদুদা মী খরা ফম্নবা ফান অশাংবা, লৈকায়দা স্কুলগা লৈরদি চৌকিদারদগী নৎত্রগা ওজা হেদ মাষ্টরদগী ঙাঙনরগা তেকপা শোয়বদা শীংবা হায়নরগা ৱাইরগা থানরিবনি। পোৎফম মরাং কায়না ফম্নে। মদুদা লৈশাবী পাখঙশিংসি শঙ্গু শঙ্গু তিল্লরিবনি। পোৎফমদা লৈশাবী খরা ফমহল্লি, অদু ওইরবদি পাখঙশিংনা চঙলক্লগা পোৎ য়াম্না লৈ। পাখঙশিংনা শিংজু লৈরগা লৈশাবীশিংনা তোৎলগা য়াম চানৈ, মোরোক্কদু লৈশাবীশিংনা য়াম য়াম হাপচিল্লগা তোৎপী, মদুনা পাখঙ মচা লমচাশিংদু হাওরবনি হায়না তপ তাখৈ চাশিল্লগা, নাতোনসু মচিনসু মহী চেনখৈ সি-সা, সি-সা নুংঙাইখ্রবা কুম্মৈনি। মদৈদি মোরোক শাবা ফনবা গুলাগুম্বসু লৈ অদুগা য়াম্না হেক চানবসিনা পাফোরসিনি। অদুনা পাফোরসি মপাক মপাক তাওরগা য়োল্লি। শিংজু, বোরা, কাংহৌ মখল মখল, চাগাইদুদি কয়াবু য়াওদে, অদুবু খরসু অদুম য়োন্নৈ, চাগা য়াওরবা হোটেলদুদি খরা চাওরবা হোটেলদৌনা খন্নৈ। পোৎফম খুদিংদা লৈশাবীশিং থেল্লি। শেল মুল্লি, ফি মুল্লি, শেল য়াম্না পী পীদে হায়বগী শেল হুন্নবগী নুংঙাই নুংঙাইবা ফাগি ময়াম অমসু লৈনরিবনি। লুপা ১০ চৎপী অমগা পুথোরক্লদি লোইরে, শেল তপ তাখৈ পায়বা মীদৌনা খন্নৈ, লৈশাবীশিংনা মদু লৌহৌনবা অচোইবা য়াওদ্রে হায়না হায়, য়াদ্রগনা ঐখোয় মরক্তগী অপাম্বা অমা খল্লগা পুজখো গাইনা নুংঙাই নুংঙাইবা ফাগিনি তৌনরিবা। পাখঙদুনা নঙ ওইনা পুরগে গাইনা হায়বদা ইকায়বোই করিবোই তৌদুনা নমদুনা নুংশিনবগসু য়াওরিপোৎনি। অদুনা থাবল চোঙবা, চাক চান্নবা লৈকায়দুদা অমত্তা চিত্থররোই। থাবল চোঙবগসি হৌজিক্কী সুমাইনা ট্যুব লাইট ময়াম অমা থানবদু থান্নরমদে, পেত্রোমেক্স পরেং পরেং, হাল্ফ লেম্প পরেং পরেং উখোঙ খুদিংগী অমমম থাল্লি। মদু অয়াম্বা পাখঙশিংনা পাঙনবা য়াওই। পাঙলিবা পাখঙদুনা থাউমৈদু শেন্নদৌরিনি, থাও লোইরকপা, নুংশিৎ তারকপা মাগী থৌদাংনি। মাইক্তগসু লাউরকইবনি, থাওমৈ পাঙনি খঙলগা থাও হান্নী খঙদ্রি করিগীনো গাইনা শক তাখৎপা লৈকায়গী পাখঙ ভোলন্টিয়রশিংনা লাউরিবনি। লৈশাবীগী খুদাং পায়দুনা থাবল চোঙবসিবু অতৈ মতমদা খুদাং পায়রু য়াব্রো? অদুনা থাবল চোঙনীংদবা পাখঙ মচাসি ঐমক্তি কয়া লৈরমনি থাজদে। পাখঙগী ৱা তোকখ্রো, নুপী থিরবশিংনা পাখঙ শাদুনা থাবল কোইথি থিরগা চোঙবা য়াওরিবনি। লৈশাবীগা খঙনসিন্দনা কোইশিল্লিবনি। কোন্নথংদা নুপী থিরে খঙলকান্দা ৱা থোক্লবগা য়াওরিপোৎনি।

মতাংসিদা লাক্লিংলিবদি, ঐখোয়সু পাখঙনিনা থাবল চোঙবদু য়াম্না পামখি। ঐখোয়না কন্না মমিং লৈখৎলকপা মতমদদি থাউমৈসি ট্যুব লাইট থানবা হৌনরে। ঐখোয়দি য়াওশঙ নুমিৎ খুদিংমক লীলা শান্নবা চৎলবনিনা থাবল চোঙবা চৎপদুমদি ফংদ্রে, চোঙনীংবগী ৱাদি হায়দনা কান্নদে। নোংমা য়াম নোক্লিংবা থৌদোক অমা লৈখি। নুংথিল পুং ১দা হৌবা লীলা অমা শান্নরুরগা লাকপনি। মফমদুদা থাবল ঙাইহাক চোঙলগা লীলা তৌগদৌরিবনি। ঐখোয়না মফমদু য়ৌবদা থাবল কন্না চোঙ লৈরম্মী। ঐখোয়সু য়াওসি হায়নরে। য়াওবা য়াগদ্রা হংলুবদা য়াই য়াওবীয়ু হায়রে। থাবল চোঙবদু য়াওরে। নুপীদি পায়রগা চোঙদ্রে ইকায়দনা, ঐখোয় নুপাগী পরেং অমা শেম্মগা চোঙবনি। ইমাইপেম্মা মদুদা নুংঙাইবসিদি, ফজনা চোঙলে। লোইরে, লীলা হৌরে। অমুক্তা চোঙদবনিনা, হরাওবোই করিবোই পংচোঙদা চোঙবদুদদি ফৈবাক থোক্তুনা লীলা থোকপদা শেক শেক্তনা কয়াম ৱাখি। ফার্মাসিদগী মোলোমসু লৈরে অদুগা গুলি লৈরগা চাইদনা। মথং শোদদি চৎপা ঙমদদনা কয়াম ফরক তাখি। সেকৌ সেকৌ ফজরে। মতুংদদি থাবল চোঙবা পামজরবসু য়াওবদি য়াওদ্রে। করিগুম্বা মফমদা লীলা শান্নবা চৎপদা থাবল হান্না চোংলম্লগা লীলা পার্টি লাক্লে হায়দুনা থাবল লোইশিল্লগা লীলা শান্নবসু য়াওই। মদুগদু ময়াম্না চোঙবদু য়েংলগা নুংঙাইবদু মঙাইরে। সিগী মতাংসিদা ৱারী অমমুক নীংশিংলকই। মসিদি লীলাগদি মরী লৈনদ্রে, অদুবু নীংশিংলকপনি। থাবল চোঙবা চৎপদা শুংয়াওদি য়াওদবা, ময়ামগী মতুংদি অদুম ইন্নবা মীসু লৈ। মোইগী থবকসিসু য়াম্না মরু ওই। অমগা অমগা তাইশিন্নবা অমদি ময়াম থাবল চোঙবা চৎপদা লীৎলকপা জর্সিগুম্বা জেকেটকুম্বা ফুরিৎ অথাবদু হুমাং শৌগৎলক্তুনা পীরম্বদু মানা লোইনা পায়বা, মমান্নবা মরী মঙাগা চৎপদা মানা পায়হৌদৌরিবা জেকেট নৎত্রগা জর্সিসি ৫ মুক্তি অদুম পায়রে। হেঙ্গরগুম্বনি। মাগী লেংজুমদুদা ফুরিৎশিংদু য়ানদৌরিনি। মানা নুংঙাইরিনা, মমান্নবশিংনা লৈশাবীগী খুদাংগা পায়দুনা থাবল চোঙদুনা মাগী মপা হেক হেক য়ৌরকপদা লেন্নবগী মতাগুম ৱারীগা হৌনা হৌনা শাজিল্লম্বা, অদুগা মঙোন্দগা য়েংলগা নোকশিল্লম্বদুদা মানা নুংঙাইজরিনি। ময়ামদুনা অমুক থোরক, অমুক চোঙ, অমুক থোরক, অমুক চোঙ তৌবদু মানা অমসু অমসু ওক্লদৌরিনি। অদুগা ৱা ৱা নোক্তুনা মখোয়না থাবল চোঙবগী নুংঙাইবা ৱারীদু লীদৌরিনি। মানা মশাদা হেক থোকপদৌনা নুংঙাইদৌরিনি। মানা পাম্বা লৈশাবীগসু খল্লগা মমান্নবশিংদুদা পায়হল্লিনি। মসিগী নুংঙাইবা মনুংঙাইসিনা কমদৌবনো খঙদে। থাবল হেক হৌবদগীনা লোইবা ফাওবসি লেপ্তুনা চোঙদৌরিনি। মাসু মোইনা হেক শুনবা থোরক্ত্রিফাও ঙাইদৌরিনি।

লীলা কৌরিবী লৈশাবীশিংনা লীলা পার্টি লাক্ত্রিঙৈদা থাবল মচা অমা শীন্দুনা তপ তাখৈ চোঙলুরগা লীলাগী অমুক শিনবসিগী মনুংঙাইবসিসু অঙকপা অমনি। লৈশাবীশিংদুনা নুংথিল নুমিদাংৱাইরমদগী চোঙলকপা থাবলদু ঐখোয়না লীলা হৌনবা লাক্লিবা পুংফম পুং ৮.৩০ অদুৱাই ফাও থৱায় য়াওনা চোঙলুরগা, ঐখোয় অতোপ্পা শো মফম অমগা ৱাৎলি, থাবল লোইশিল্লো হায়না হায়রুবদা মোইনা ফি ফি কামদুনা শাওবগদুসু য়েংবা নুংঙাই। মোইদি থাবলদু নুংঙাইখৎলকপা তাঞ্জা ওইবনিনা লোইশিন্নীংদে। ঐখোয়গীদি মথং শো লৈবনিনা কুইনা ঙাইথবা য়াদ্রে। অদুনা লীলা হৌরগে হায়না গিরি গিরি তকপদা মোইনা মমায়গদু থাবল চোঙলুবগী ঙাংশঙ ঙাংলদনা হুমাংগদু জি-জি হেক শৌখৈ, লীলা ফি শেৎফমদা চঙলক্লগা ৱাদুনা ঙেক লাওনা ফমথরগা, খরা থেংনা লাকপা য়াদ্রা, মীনা থাবল নুংঙাইখৎলক্লকানসিদা হায়নবু শাওরিবনি। লীলাগী পোৎলম চৈরম কোইচেন চেন্দুনা লাংই। অদুগা ভোলন্টিয়রশিংগা তান্নদুনা থাবল লোইশিল্লগা লীলা অমুক হৌই। মদুদা মখোয় ময়ামদুনা মমাঙদগা ফম্মদনা লীলাদু থৱায় য়াওনা য়েংজবদুদি, মোইবু অমুক ঐখোয়না য়েংবদা লীলা অমগুম্বনি। মোইনা ঐখোয়বু য়েংবা, ঐখোয়না মোইবু য়েংবা সিনি নুংঙাইরিসি। মোইদি মোইনা কৌবনিনা, ঐখোয়গী লীলাগী মপুসি মোইদু ঙাই, ময়াম্না লীলা নুংঙাইগা হায়বদা ঐখোয়দগী মোইনা হেন্না হরাউজরিবনি। অদুনা ঐখোয়গী লীলাসি মপু য়াম্না য়াম্মী। শ্বষ্টি পুজাগী শান্নরবসু যূম্বদুনা ঐখোয় লীলাসিবু নুংঙাইত্রবরো? হায়না হংনরিবনি। ময়াম্না নুংঙাই নুংঙাইগা হায়বদা লীলা কৌরিবশিংদুনা হরাওজরিবনি। অদুনা লীলাগী দখিনা তাবদি লায়রদনা হেন্নবু পীরিবনি। ইশম শম্না শুমাং লীলাগী মপুদি লীলা কৌরিবা ময়ামসু লোইনা য়াওই। ঐখোয় খক্তা নত্তে, অদুননি শুমাং লীলানা য়াম্না হেন্না পোপ্যুলর ওইরিবসি। মসি ময়ামনদি থাজবীরোই, খুদম মচা অমতকা পীজগে। ●

# লুচিংবশিং ৱাখল খরা খরা চাওথোকপীয়ু

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

লৈবাক্কী লুচিংবা অমা ওইবা হায়বসি মীচং মীখাই, অচান মীরাই নাইদনা মীওই পূন্নমক্কী খনবা ঙম্বা ওইহন্নীংই। মীয়াম্না লুচিংবনি হায়দুনা থাগৎলিবসি কাঙলূপ খরখক্কী নত্তে হায়বসি হেক হেক কাউথোকপগুম তৌই ঐখোয় ইরমদমগী লুচিংবশিংসে। হন্দক্কী ১২শুবা ষ্টেট ইলেক্সনদা মায় পাকখ্রবা পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী মিনিষ্টর ওইরম্বা লুচিংবা অহুমসিগী সোসল মীদিয়াদা থেংনরকপা মখোয়না হায়খিবা ৱাফমশিং তাবদা য়াম্না নুংঙাইজদে। অসুক চাওবা থৌদাং লৌগদৌরিবা অমদি মমাঙদসু থৌদাং কয়া লৌখ্রবা ইরমদমগী লুচিংবশিং অসিনা মীয়াম মাঙদা হায়রোইদবা, হায়হন্নীংদবা অচান মীরাই নাইবগী নৎত্রগা কিহনবগী মওংদা মখোয়দা ভোট থাদখিদে হায়দুনা মীয়াম মাঙদা হেক হেক লাউথোকপা হায়বসি দেমোক্রেসিগী চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা লৈবরা হায়না খল্লি। অসিগুম্বা লুচিংবা অমা ওইরগা মীপূম খুদিংমকপু মান্ননা য়েংবা ঙমদবা হায়বসি লুচিংবা অমা ওইনা তৌহন্নীংদে, হায়হন্নীংদে। ভোট থাদবদা মীরেপ অমখক্তদা, মরু ওইনা ফম পায়রিবা মীরেপ অদুখক্তদা থাদগদবনি হায়বা আইন লৈতে দেমোক্রেসিদা।

লমদম অমগী, লৈবাক অমগী লুচিংবা হায়বসিদি লমদমদুদা লৈরিবা হৌরক্লিবা অঙাংশিং, মহৈরোয়শিং, নহারোল অমদি মীচম মীয়াম্না ফীদম্নিংঙাই ওইবা, তমজনীংঙাই ওইবা মীওইশিং ওইফম থোকপ্রা হায়না খল্লি। অসিগুম্বা লুচিংবা অমা ওইবগী মমি অসি চাওখৎলবা মফম অমদি লৈবাকশিংদা উবা ফংই। হ্যুমেন রাইট লৈতে, কম্যুনিষ্টনি হায়দুনা দেমোক্রেসি চৎপা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিং অমদি ইন্দিয়ানা তোয়না তোয়না চৈবিরিবা কম্যুনিষ্ট/সোসলিষ্ট চৎপা লৈবাক্কী প্রসিদেন্ট ওইনা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা Xi Jin-Ping মতৌ করম্না মীয়াম তিনবা ফম্বাক্তা ৱা ঙাঙবগে অমদি মীচম মীয়াম্বু মতৌ করম্না লোয়নবগে হায়বসি ময়ামসু তাবী উবীরম্লগনি খল্লি। মহাকসি অসুক্কী মতিক থবক কন্না শুবা অমদি য়াম্না নোল্লুক্লা চৎপা মীওই অমনি। অদুম ওইনমক চাইনানা য়াম্না খোঙজেল য়াঙনা চাওখৎলকপা অমদি সুপর পৱর ওইরক্কদবা অসি উবদা চাইনাবু অমদি মহাকপু য়াম্না হ্যুমেন রাইট লৈহন্দবা মওংদা চৈবিরি কল্লকপা লৈবাক কয়ানা। মীসি তশেংনা চাওরদি য়াম্না লেম্বা অমদি নোল্লুক্লা চৎপা হায়বদো ওইবজাৎনি। উহৈ য়াম্না পানবা উপাম্বীনা মরূ লূক্লা হৌবগুম্বনি। অদুবু ঐখোয় ইরমদমদদি য়াম্না শাথীখ্রে ঐখোয়গী লুচিংবশিংসে। লোইনমকপুদি নত্তে।

হন্দক্কী ১২শুবা মণিপুর এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পিগী মীরেপ ওইনা মায় পাকখ্রবা অদুগা মমাঙ চহীদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওইখিবা লুচিংবা অমনা কারবা হেক মতুংদা মীয়াম তিনবা ফম্বাক্তা লেপ্তুনা অসুম্না হায়খিবা থেংনৈ মদুদি মহাক্কী মায়োক্তা লৈবা মীরেপশিংদা, হায়বদি অতোপ্পা কেন্দিদেটশিংদা ভোট পীখিবা মীওইশিং অদুদি চহী মঙাগী ফংফম থোকপা শেল-থুমগী মতেং লৌবা লোইখ্রে হায়না। মহাক্লা হায়নীংলিবদি মঙোন্দা ভোট থাদখিদবা মীওইশিংদি মতেং অমত্তা ফংলোই হায়বনি। মঙোন্দা ভোট থাদখিবা মীওইশিং খক্তনা লাক্কদৌরিবা চহী মঙা অসিদা মঙোন্দগী শেল-থুমগী মতেং ফংগনি হায়বনি। অসিগুম্বা ৱাফমসিবু হায়ফম থোকপরা মীয়াম তিনবা ফম্বাক অমদা মরু ওইনা খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমনি হায়না ইন্দিয়ন পোলিটিসিয়নশিংনা পোঙথোকচরিবা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমদা লৈবা লুচিংবা অমনা। দেমোক্রেসিগী চৎন-কাঙলোনবু পায়দুনা লৈঙাক্কদৌরিবা লুচিংবা অমনা অসিগুম্বা অনদেমোক্রেটিক ওইবা ৱাফমশিং অসি হায়হনজনীংদে। লুচিংবা অমা হায়বসিদি কাঙলূপ খরগী নৎত্রগা মীওই খরখক্কী লুচিংবা ওইফম থোক্তে, মীপূম খুদিংমক্কী ওইনা ৱা ঙাঙবীগদবনি অমদি থবক তৌবীগদবনি। লুচিংবা অমনা অসুম্না য়াম্না মাগী ঐগী খাইনা ৱা ঙাঙলবা, থবক তৌরবদি মতৌ করম্না মীয়াম্না ইকায়খুম্নবা উৎকদৌরিবা মখোয়বু। সী এম বিরেনদি য়াম্না তোয়না লাউখি এম এল এশিং মিনিষ্টরশিং অসিবু ইকায়খুম্নবা উৎপীয়ু হায়না। লুরিবদি লুচিংবশিং অসিনা ইকায়খুম্ননীংঙাই ওইবা মওংদা থবক তৌরক্তবা অমদি ৱা ঙাঙলক্তবা অদুনি। ইকায়খুম্নবা হায়বসিদি নম্ফুদা ইকায়খুম্নৌ হায়না হায়বা য়াবা নত্তে। মসিদি থম্মোয়দগী থোরক্কদবনি।

মতাংসিদা থমজনীংলিবা ৱাফম অমনা, লুচিংবা অমনা মীয়ামদা শেল-থুমগী ওইবা মতেং পীগদৌরিবা অসিবু মহাক্কী ফুরিৎখাওদগী ওইনা পীগদৌরিব্রা হায়বসিনি। মহৈ মশীন হৈতবা অহলশিংনদি খঙলমদবা য়াই অদুবু মীওই অয়াম্বনদি লোইনা খঙলিবনি মদুদি মখোয়না মতেং পাংলিবসি মণিপুর লৈঙাক্লা নৎত্রগা সেন্ত্রেল লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক পীথরকপা শেনফমনি হায়বা। শেনফমশিং অসি মখোয়গী ফুরিৎখাওদগী পাংবা অমত্তা নত্তে। মখোয়না মখোয়গী মরন্নাই পোকেটতগী হায়জরবসু মখোয়না ৱানা, চুম্না তাঞ্জবা শেলদি অমত্তা নত্তে হায়বসি মীয়াম্না লোইনা খঙনরবা ৱাফমনি।

ইলেক্সনগী মতাংদা কেন্দিদেট মশেল ফনা নুংঙাইনদবা লৈরবসু মীয়াম মাঙদা ফোঙনা হেক্তা মীওই কাঙলূপ অমবু কাউথোকপীবা অমদি কিহনবা, ৱাখল ৱাহনবা হায়বসি লুচিংবশিংনা তৌবীরোইদবনি। দেমোক্রেসি চৎপা মফমদদি মীচম মীয়াম পূন্নমক মহাক মহাক্লা পামজবা মীরেপ্তা ভোট থাদবগী হক/রাইট লৈ হায়বসি লুচিংবশিং অসিনা কাউবীরোইদবনি। দেমোক্রেসি চৎপা লমদম অমদা মীরেপ অমদা ভোট থাদদবা য়াদে হায়বা আইন লৈতে। মীয়াম্না মাগী মাগী অপাম্বা মীরেপ্তা ভোট থাদবা হায়বসি দেমোক্রেসিগী চৎনবীনি। মখোয়না তৌরিসিদি মীয়াম্বু কিহনবনি, মীয়ামগী হক/রাইটপু খোঙ্গাওনবনি। মরম অসিনা ইরমদম চাখৎহনসি হায়রবদি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইবগী দেমোক্রেসিগী চৎন-কাঙলোনবু ইন্দুনা চৎপীয়ু লুচিংবশিংনা। মীয়ামগী লুচিংবা ওইবীয়ু। কাঙলূপ কাঙলূপকী লুচিংবা ওইবীগনু।

নাকল অমরোদনা বি জে পি লৈঙাক অসিগী মমাঙ চহীদা মিনিষ্টর ওইরম্বা লুচিংবা অমনা মীয়াম তিনবা ফম্বাক্তা মঙোন্দা হায়জদ্রবদি থবক ত্রান্সফর অরাপ্পা, নুমিৎ মশক উদবা মফমদা থাগনি হায়না লাউথোকপা থেংনৈ সোসল মীদিয়া ভিদিও ক্লিপ অমদা। করিনো তৌরিসিবু ইরমদমসিদা। থবক ত্রান্সফর তৌবসিবু পোলিটিক্সতা লোইনা লৈনরব্রো? থবক ত্রান্সফর তৌবা হায়বসি মফম অমা, লমদম অমা শেমগৎনবা হোৎনবনি হায়বগী ৱাখল্লোন অসি তোকথোক্তুনা মীওই অমবু চৈরাক পীবগী ৱাফমলোমদা ওইনা পুশিল্লে ৱাখল মুন্না খন্থদবা লুচিংবা খরা অসিনা। মখোয়না মিনিষ্টর ওইরবনি হায়দুনা, ঙম্মে হায়দুনবু এমপ্লোয়ী অমবু মফম চাদনা থানীংবা মফমদা হেক্তা থাবা হায়বসিবু দেমোক্রেসিগী করম্বা আইনদা য়াওবগে। অসিগুম্বা ৱাখল্লোল অসি চেনবননি মফম অমদা নিংথি নুংঙাইনা চাওখৎপা ঙমদ্রিবা ইরমদমসে। ঐখোয়গী লুচিংবশিং অসিনা তৌরিসে দেমোক্রেসি চৎপা লমদমনি, দেমোক্রেসি চৎপা ইরেবাকনি হায়না পঙলাউদা লাউরগা ঙাঙথোরকপা অমদি তৌথোরকপদদি দেমোক্রেসিগী ওন্ন-তৈনবদা ওইনা লৈরে।

লোইশিল্লকপদা, অতৈ য়াম্না লৈরিদা ঐখোয়গী লুচিংবশিং অসিদা হায়নীংবা, তৌহন্নীংবা অদুবু লেপ্পলগে শ্বাইদা। পাবীরিবশিংনা ৱারৌবীগনু। ঐখোয়গী লুচিংবশিং অসিনা অফবা লুচিংবা অমমম ওইদুনা মীচম মীয়াম্না ফিদম্নফম ওইবা, ইকায়খুম্ননীংঙাই ওইবা লুচিংবা ওইহন্নীংদুনা, ইরমদম্বু চাওখৎহন্নীংদুনা ফোঙদোকচবনি। লুচিংবা অমা ওইবা হায়বসি তরাই তরাইনা খনবীবা তৌবীগনু। তেল্লবা পুন্সিনি। নোংমা শিখিবদা নীংশিংহৌগদবা অমদি লৈহৌগদবদি শুপ্পতগী অফবা মীংচৎতুনি হায়বা কাউফদে। য়াইফমিন্নরসে। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৮

১) মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিকনি ‘খুরুমজবগী অথুপ্পা মহাউ (ভক্তি রস)’ হায়বসি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **“লমকোয়বগী খোর্জৈদগী”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো, করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) অয়েকপম শ্যামসুন্দরগী ***“মাইনু পেমচা”*** হায়বসি ইংরাজিদা কনানা হন্দোকপগে?

৪) ***“মালঙনা লৈখোক্তা হংখি/কদাই ঙরাংগী শিঙ্গারে,/লেমহৌবা উফুলদা হংখি/’সিরা ঐগী মপোক্তো।।/কম্লবা উনানা ৱাকৎলি/করিগী কেলহল্লি ঐবু/শিন্নরম্বনি উপালদা/য়েন্নিংথানা হল্লক্ত্রিফাও।।”*** শক্লাইরবা শৈরেংবা অমগী শৈরেং মতেকনি। শৈরেংবসি কনানো, মাগী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

৫) ***“খোইয়ম অশীবদি, লয়শেম লয়রোই ঙমদনবগী, কুরু শিদবা সনা মখোঙ-খা চেংলৌ মায়থোং-ওন, কুমচীং হিগোক লীওংনা, য়াথং পাউমেনজঙমদা, শমু খোঙবী লয়খৈ য়েংনা ৱাইথুংলববু, নমু মীপূক খঙবা লাইয়িংথৌনা, মপারী শককোয় চিংনা য়েংনা শানখঙলুরবগী, পারী অতোনবা, শংলৌ মথৌরাংনরিঙৈনে, নিঙখল্লুরবগী অমরক ৱাহমখিয়ে।”*** ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৭কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (৩,৫)
২) য়ূম্নাম ইবোচৌবা, হাওরৈবী মখা লৈকায় - (১,২,৩,৫)
৩) জি সুরনলতা, চীংঙামথক, শীংজমৈ - (৩,৫)
৪) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (১,২,৩,৪,৫)
৫) থোংগ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (৩,৫)
***৬) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)***
৭) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৩৭কী ৱিন্নর*

***মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৩৭কী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৭কী পাউখুম

১) অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৬০দা ফোঙবা ***“অমাইবা”*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- শ্রী অমুবা সিংহ**

২) **“অমেরিকাগী ঈশৈ”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা : এলাংবম নীলকান্ত; লাইরিক্কী মখল - শৈরেং; অহানবা ফোঙবা ১২ নবেম্বর, ২০০৬।**

৩) **“মণিপুরদা ঐগী চহী অহুম”** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেলদা কনানা ইবা লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো? **:- হন্দোকপা : খুরাইজম নিমাইচরন সিংহ; ওরিজিনেল লাইরিক - "My Three Years in Manipur" অইবা- Mrs Grimwood; অহানবা ফোঙবা, ১৯৯৯।**

৪) ***“ৱারী শীংবূল্লক্তগী”***হায়বা অঙাংগী ওইবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- অইবা শগোলশেম ইন্দ্রকুমার সিংহ; অহানবা ফোঙবা জুন ২০১০।**

৫) ***“লৈকংলা”***হায়বসিগী অইবসি কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা - এম বরকন্যা; লাইরিক্কী মখল - নোভেল; অহানবা ফোঙবা নবেম্বর ২০০৬।**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।